# 'সিখ টেরর আউটফিটশিংনা পঞ্জাব অমসুং যু পি মীখল কায়নবা হোৎনরকপা য়াই'



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
আই এস আইনা শৌগৎপা সিখ টেরর আউটফিটশিংনা পঞ্জাব, যু পি অমসুং উত্তরাখন্দগী শরুক খরগী মীখলগী কেম্পেন মনুংদা মরুওইবা লিদর নৎত্রগা ভি ভি আই পি খরদা খুৎ থারকপা নৎত্রগা ইলেক্সন রেল্লিশিংদা টার্গেট তৌরকপা য়াই হায়না ইন্টলিজেন্স ইনপুটশিং পল্লদুনা সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা হায়রি।

ষ্টেটশিং অসিগী মীখলগী প্রোসেসতা য়ৈখায়-থিনগাইবা পীনবা অমসুং পঞ্জাবতা খালিস্তানিশিংগী খোঙফম হেনগৎহন্নবা পাকিস্তানগী ইন্টর-সর্ভিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)না ষ্টেট অসিদা অমদি উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরাখন্দগী মফম খরদা টেরর এক্টিভিটিজশিং হেন্না চথহন্নবা মসিগী টেরর আউটফিটশিং মথৌ তৌবা হৌহনখ্রে হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা ৱার্নিং তৌরি।

পঞ্জাবকী মীখল অসি ষ্টেট অসিদা অমদি সিখ ভোটর মশীং য়াম্না লৈবা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিংদা খালিস্তানি ঈহৌ অমুক হন্না কনখৎহন্নবগী মরুওইবা খুদোংচাবা অমনি হায়না লৌদুনা আই এস আইনা টেরর গ্রুপ মচা অমদি অচৌবা পুন্নমক ষ্টেট অসিগী মীখলগী প্রোসেসতা য়ৈখাই-থিনগাইবা পীনবা খঙহনখ্রে। ইনপুটশিং অসিগী মতুংইন্না পঞ্জাব, যু পি অমসুং উত্তরাখন্দগী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা হায়রি মদুদি, আউটফিটশিং অসিনা সিখ মশীং য়াম্না তাবা অতৈ ষ্টেটশিংদসু খালিস্তানি পান্দমগী সপোর্ট ফংনবা চঙশিল্লকপা য়াই।

খালিস্তানগী ওইনদি হৌজিক অসি খ্বাইদগী ফরবা খুদোংচাবা মতমনি। নৎত্রগা অতৈ মতমদা অসিগুম্বা খুদোংচাবা ফংলোই হায়নসু অথিংবা থমখ্রবা সিখ মিলিটেন্ট ওর্গনাইজেসনশিং অসিদা আই এস আইনা খঙহনখ্রে। আই এস আইগী দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না আউটফিটশিং অসিনা লৌখৎলক্কদৌরিবা খোঙথাংশিং অদু য়েংদুনা যু পি অমসুং উত্তরাখন্দগী গভর্ণমেন্টশিং মখোয়গী এক্টিভিটিশিং লাকশিন্নবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

লোয়ননা ষ্টেটশিং অসিগী সিখ লাইনিং-লাইশোনগী লুচিংবশিং অমসুং মশক নাইবা মীওইশিংগসু তৎতনা পাউফাওননবসু গভর্ণমেন্টশিং অসিদা আই এস আইনা মপান্দা এক্টিভ ওইরিবা সিখ মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদা পঞ্জাবতা অমসুং ইন্টরনেসনল সিখ যুথ ফেদরেসন (আই এস ৱাই এম), বব্বর খলসা ইন্টরনেসনল (বি কে আই) গুম্বা ওর্গনাইজেসনশিংদা খুৎলায় সপ্লায় তৌনবগী চেনেল শেম্নবা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে।

# 'মালেমগী টেক, ইকনমিক পৱার হাউস ওইরগনি'

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংবা চহী ১০০ শুরকপা কুমজা ২০৪৭ লৈবাক অসি মালেমগী টেক্নোলোজিকেল অমসুং ইকনমিক পৱার হাউস ওইরগনি হায়না যুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) জিতেন্দ্র সিংহনা থাংজ নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া কুমজা ২০৪৭তা চহী ১০০ শুরকপা মতমদা লৈবাক অসি থাজবগী ৱাংমদা অহোংবা লাক্লগনি। লৈবাক অসিগী চাউখৎ খোঙথাংগী খোঙজেল অদুক্কী মতিক য়াংলি মদুদি, লৈবাক অসিগী মথংগী চহী ২৫ অসিদা মালেমগী টেক্নোলোজিকেল অমসুং ইকনমিক পৱার হাউস ওইরগনি। মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি দিপার্টমেন্ট ওফ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (দি এ আর পি জি)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ভিজন ইন্দিয়া এট ২০৪৭ ফ্রোম দ গভর্ণমেন্ট পরস্পেক্টিভকী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোকখিবা সেক্টরেল এক্সপার্টশিংগী ওইবা অহানবা মীফমদা চ্যের লৌরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী ভেক্সিনেসন ড্রাইভনা কোভিদ থেংনবদা পাঙ্গল চাউনা হাপ্লি : প্রাইম মিনিষ্টর



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা চঙশিল্লিব লাঞ্জংদা ইন্দিয়াগী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামনা পাঙ্গল চাউনা হাপ্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী চথরক্লিবা ভেক্সিনেসন ড্রাইভ চহী অমা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা মোদিনা ড্রাইভ অসিগা মরী লৈনবা মীপুম খূদিংমক্তা সেল্যুট তৌখি। ভেক্সিনেসন ড্রাইভ অসিদা ডোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎখ্রে। মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াগী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা পাঙ্গল চাউনা হাপ্লি।

পরিং নাইনা থাগৎপা ত্বিটশিংগী খুথাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, কোভিদ-১৯ লাইচৎ অহানবা ওইনা থেংনখিবা মতমদা ঐখোয়না ভাইরস অসিগী মরমদা য়াম্না খঙখিদে। অদুম ওইনমক ঐখোয়গী সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ইনোভেটরশিংনা কন্না হোৎনদুনা ভেক্সিন পুথোকপা ঙমখি। ঐখোয়গী লৈবাক্না শাথিরবা লাইচৎ অসি থেংনবদা ভেক্সিনশিংগী খুথাংদা মতেং পাংবা ঙম্বসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়াম্না চাউথোকচনিংঙাইনি।

ডোক্তরশিং, নর্সশিং, হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থোইদোক হেন্দোক্না শীংথাইনিংঙাই ওই হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ইন্দিয়ানা কোভিদ পেন্দমিক সাইন্সতা যুম্ফম ওইরগা মখা তানা থেংনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# বি জে পিনা অয়োধ্যা, কাশি, মথুরাদা কেম্পেন হৌখ্রে

লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশতা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী পান্দমগা লোয়ননা বি জে পিনা মসিগী হিন্দুত্ব এজেন্দাদা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা অয়োধ্যা, কাশি অমসুং মথুরাদা মরী লৈনবা থীমগী ঈশৈগা লোয়ননা কেম্পেন তৌবা হৌখ্রে।

অয়োধ্যা, কাশি অমসুং মাথুরা পনবা থীমগী ঈশৈ অদু বি জে পিগী লোক সভা মেম্বর মনোজ টিৱারিনা হৌদোকখি অমসুং মী খোম্বগী থবক হৌখি। থীম সোং অদুদা অয়োধ্যাদা শারিবা রাম টেম্পল, কাশি বিশ্বানাথ নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং মতম খরগী মনুংদা মথুরাগী ফীভম করি ওইরকপা য়াই হায়বগী মতাংদা পল্লি। সেফ্রোন পার্টি অসিগী কেম্পেনদা ঈশৈ অসিনা কয়া মরুওইবগে হায়বসি বি জে পিগী ভেটেরান লুচিংবশিংনা মসিবু সোসল মীদিয়াদা শন্দোকপা হৌখিবা অসিনা উৎলি হায়রি।

এক্সর্সাইজ পুম্বসি ভোটরশিংদা খঙহন্নবা অমদি ঈশৈ অসিগা লোয়ননা মখোয়বু থেম্নবগীদমক্তনি। ভিদিও ঈশৈ অসিদা অয়োধ্যাদা লৈরিবা রাম টেম্পলগী অচৌবা মোদেল, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা টেম্পল সিটি অসিদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রামশিং উৎলি। মোদি অমসুং অদিত্যানাথনা বরানাসিদা চৎখিবা খোঙচৎ অমসুং মাথুরাদা পাঙথোকখিবা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং অদিত্যানাথকী রোদ সোশিংসু ভিদিও অদুদা উৎলি। কেবিনেট মিনিষ্টর গিরিরাজ সিংহ, পার্টিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন শম্বিট পাত্রা, পার্টিগী আই টি সেল চীফ অমিট মালভিয়া অমসুং পার্টিগী অতৈ এম পি অমদি লুচিংবা কয়ানা থীম ঈশৈ অসিবু সোসল মীদিয়াদা থাগৎখি।

# গোৱাগী ইমুংশিং এ এ পিগী স্কিমশিংনা লুপা লাখ ১০ ফংহনগনি

পনাজি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
লাক্লিবা ফেবুৱারী ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱা এসেম্লী মীখলদা মায় পাক্তুনা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না লৈঙাক্কী পৱার পায়রক্লবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্কিমশিংগী খুথাংদা গোৱাগী ইমুং খূদিংমক চহী ৫গী মনুংদা লুপা লাখ ১০গী বেনিফিট ফংগনি হায়না দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এ এ পিগী নেসনল কনভেনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পনাজিদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংলদুনা কেজ্রিৱালনা মখা তানা হায়খি মদুদি, এ এ পিগী ওফিসলশিংদা রেইদ চথনবা ওর্দর তৌখিবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক্না মহাক্কী পার্টিদা পুকচেল শেংবগী সর্টিফিকেট অমা শোয়বদগী পীবা লৈখ্রবনি। চহী ৫গী মনুংদা ইমুং খূদিংমক্না লুপা লাখ ১০গী কান্নবা ফংগদৌরিবসি করম্মনো হায়না হংবা য়াই। কান্নবা অদু ফ্রী পৱার, সবসিদাইজ তৌবা ঈশিংগী বিলশিং, অন-ইমপ্লোয়মেন্ট এল্লাওৱেন্স, নুপীশিংগী এল্লাওৱেন্স, ফ্রী হেল্থ ট্রিটমেন্ট, স্কুলশিংদা ফ্রী এদ্যুকেসনগী খুদোংচাবা অসিগী খুথাংদা ফংহনগদৌরিবনি। হায়রিবশিং অসিদা চহী ১গী মনুংদা ইমুং অমদা তৌগদৌরিবা চাদিং অসি লুপা লাখ ২নি। চহী ৫গী মতমদদি মসি লুপা লাখ ১০ ওইরক্কনি হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ভোট থাদনবা লুপা লিশিং ২ য়েল্লকপগা লুপা লাখ ১০ ফংবগা করম্বনা হেন্না কান্নবগে হায়বদু খন্নবসু মহাক্না মীয়ামদা পাউমীশিংগা খুথাংদা হায়খি। নেসনল কেপিটেলদা গভর্ণমেন্ট চলাইরিবা মহাক্কী পার্টি এ এ পি অসি নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী পুকচেল শেংবা পার্টিনি হায়নসু দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি। ঐঙোন্দা রেইদ চথদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না পুকচেল শেংবগী সর্টিফিকেট পীখি।

# বিহারদা যু লল্লোনবদা সিনিয়র ওফিসরশিং অমসুং পুলিস চেন্নে : ষ্টেট বি জে পি চীফ



পটনা, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
নালন্দাদা হূ চেল্লবা যু থকপদা মীওই ১১ শিখিবগা মরী লৈননা বি জে পিগী বিহার যুনিট প্রসিদেন্ট সঞ্জয় জাইসৱালনা থাংজ নুমীৎতা নিতিস কুমার গভর্ণমেন্টপু চৈখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং পুলিস ওফিসরশিং যু লল্লোনবদা চেন্নে হায়না মরাল শীখ্রে।

ফেসবুক পোষ্ট অমদা জাইসৱালনা হায়খি মদুদি, মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অসুম্না যু থকপদা শিহল্লিবসি সিনিয়র ওফিসরশিংনা থোকহনবনি। অদুনা মখোয়বু ফাগদবনি। বিহারদা যু থিংলিবসিবু সঞ্জয় জাইসৱালনা ক্রিটিসাইজ তৌখি হায়না জন্যুৱারী ১২দা জে দি-যুগী স্পোক্সপর্সন অভিসেক ঝানা ফোঙদোকখ্রবনি।

ঝানা হায়খি মদুদি, জাইসৱালগী ৱাফম অসি মশাগী ফিরেপলা নৎত্রগা পার্টিগীরা হায়বসি শেংদোক্কদবনি। ঝাগী ত্বিট অদুগী পাউখুম ওইনা জাইসৱালনা হায়খি মদুদি, হূ চেল্লবা যু থক্লুবদগী শিখ্রবা ইমুংগী মীওইশিংবু থেম্নবা মহাক্না ভিক্টিমশিংগী য়ুমদা চৎখি। নিতিস কুমার গভর্ণমেন্টনা যু থকপদা শিখ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুংগী মেম্বরশিং জেলদা থাজিনগদ্রা হায়নসু জাইসৱালনা হংখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, করিগুম্বা নালন্দাদা যুগী অথিংবা ইমপ্লিমেন্ট তৌগে হায়রবদি মীয়ামদা অরানবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবা সিনিয়র ওফিসরশিং ফাগদবনি। ভিক্টিমশিং অদু হূ চেল্লবা যুশিং থকপদগী শিখিবনি। তৌইগুম্বসুং নালন্দাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট শাশঙ্ক সুভাঙ্কর অমসুং অতৈ ওফিসরশিংনা ভিক্টিমশিং অদু দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর অমসুং অতৈ লায়না কয়া চেনখি হায়না ক্লেম তৌখি। অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসিনা ওফিসরশিংদা যুগী মফিয়াশিংগা মরী লৈনহনবা অমসুং মখোয়দা যুগী অথিংবা ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মায় পাক্ত্রিবদু লোৎশিনবদা মতেং ওইগনি।

# এন আই এনা ফেক করেন্সি রেকেটতা চেন্নবা ১ ফারে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কা লোয়ননা চথখিবা জোইন্ট ওপরেসন অমদা ফেক ইন্দিয়ন করেন্সি রেকেট চলাইরম্বগা মরী লৈননা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী মলদাদগী অলাদুর এলিয়স মাথুর কৌবা মীওই অমা ফারে হায়না নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোরক্লি।

গেঙ অদু বোর্দর ৱাংমদগী ওপরেট তৌবনি। মরুওইবা এক্যুইজ অদুনা বাংলাদেশতগী ইন্দিয়াদা ফেক নোটশিং থাজিল্লকখি। এন আই এগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়না হৌখিবা চয়োলদা গেঙ অদুগী মায়োক্তা রেইদ চথখি অমসুং এইদ অমা ফাখি। তৌইগুম্বসুং মহাক এজেন্সী অসিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। মতম অদুদগী হৌনা মহাকপু ফাননবা হোৎনদুনা লাকখি। এক্যুইজ অমদগী লুপা ১,৯৯,০০০গী অফবা ক্বালিটিগী ফেক ইন্দিয়ন করেন্সি নোটশিং ফাগৎপগা মরী লৈননা দি আর আই যুনিট মালতা, ৱেষ্ট বেঙ্গোলনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। মতুং তারকপা এন আই এনা কেস অমা অমুক হন্না রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক পায়খৎখিবনি।

থিজিনবগী থবক লোইরবা মতুংদা এন আই এনা এফ আই সী এন ত্রাফিকিংদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা অলাদু য়াওনা এক্যুইজ মরিগী মায়োক্তা চার্জশীট ফাইল তৌখি। এন আই এনা মখোয়গী ক্লেম অদু প্রুফ তৌনবগীদমক্তা ইভিদেন্স অমসুং ফেক নোট কয়া উৎখি। মসিদা নত্তনা এন আই এনা প্রোজিক্যুসনগী কেস প্রুফ তৌনবা ৱিটনেস কয়াগী ষ্টেটমেন্টসু পনখি। অলাদুনা বাংলাদেশতা লৈবা মহাক্কী এসোসিয়েটশিংদগী অফবা ক্বালিটিগী এফ আই সী এনশিং লৌখি হায়বসি এন আই এনা খঙবা ঙমখি। মহাক্না ফেক নোটশিং অদু লৈবাক অসিগী ইকনমিক ষ্টেবিলিটিদা অকায়বা পীননবগী পান্দমগা লোয়ননা চাইথোকখি।

# শেল চাবগী কেসতা জি এ আই এলগী দিরেক্টর সী বি আইনা ফারে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):
শেল চাবগী কেস অমগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না গ্যাস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (জি এ আই এল)গী দিরেক্টর অমা ফাখিবগা লোয়ননা মহাক্কী রেসিদেন্সতা থিবা হুম্বা চথখ্রে। সী বি আইনা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা অহেনবা মীওই মঙাসু ফাগৎখ্রে হায়রি।

সী বি আইগী মতুংইন্না য়ামদ্রবদা শেল ওইনা লুপা ক্রোর ১.২৯, লুপা ক্রোর ১.৩০গী সনাগী লিক-কোলশিং অমসুং অতৈ মমল য়াম্লবা পোৎলম কয়া এক্যুইজশিংদুগী প্রিমিসেসতা থি-হুম্বা ফংখি। জি এ আই এলগী দিরেক্টর (মার্কেটিং)গী মায়োক্তা ফাইল তৌখিবা শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী কেস অমগা মরী লৈননা সী বি আইনা থাংজ নুমীৎতা দেল্লী অমসুং নোইদাদা থিবা হুম্বা চথখিবনি। দিরেক্টর (মার্কেটিং) জি এ আই এল অমসুং শেল চাবগী থবকশিং অমদি অতৈ লোনা য়াদবা এক্টিভিটিশিংদা চেন্নে হায়না মরাল শীরবা লন্নাই মীওইশিং, প্রাইভেট কম্পনিশিং অমসুং অতৈ মশক খঙদবা মীওই কয়াগী মায়োক্তা সী বি আইনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়না এজেন্সী অসিগী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোরকখি।

ওফিসর অসিগী মতুংইন্না মীওইশিং অদুনা মরুওইনা তৌরল্লিবসি প্রাইভেট কম্পনিশিংনা জি এ আই এলদগী পেট্রো কেমিকেল প্রদক্টশিং লৈবদা শেল চারম্বা অসিনি হায়রি। প্রাইভেট কম্পনিগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী দিরেক্সনদা লন্নাই মীওই অমনা জি এ আই এলগী পব্লিক সর্ভেন্টতা জি এ আই এলনা মার্কেটিং তৌবা পেট্রো কেমিকেল পোথোকশিং লৈরিবা মীওইশিংদা দিস্কাউন্ট পীবীনবা হায়জরমখি হায়নসু মরাল শীখি।


# OFFICE OF THE WANGKHEM KENDRA MEITEI-PANGALS MINORITY DEVELOPMENT COMMITTEE
## Thoubal District, Manipur
## WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



লাক্কদৌরিবা ১২শুবা Manipur Assembly Constituency গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী মনুংদা লৈরিবা Polling Station গী ওইবা Wangkhem Kendra Meitei-Pangal Minority Development Committee গী Member না Prime Minister Narendra Modiji গী লৈঙাকপু চেৎনা থাজবগা লোয়ননা কেন্দ্রসিগী মীখল-মীরেপ ওইবিরিবা Prof. (Dr.) Nimaichand Luwang বুসু থম্মোয় শেংনা শৌগৎচরি। লোয়ননা মীরেপ ওইবিরিবা অসিগীদমক্তা Committee গী Member শিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনমিন্নদুনা মায় পাকহনবা হায়বা অচেৎপা ফিরেপসু মত অমত্তা লেপ্লরে।

মাঙজিল থানা চঙশিল্লক্লিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা মতম-মতমগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাং খূদিংমক্তা ঐখোয়গী Minority Group অসিনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংজগনি।

শৌগৎচরিবশিং ঃ-

**32/35 KEKRU MEITEI PANGAL**
1. Md. Maxi Bharat
2. Md. Ajmir
3. Md. Altaf Bharat
4. Md. Shiraj Ahamed
5. Md. Majaher
6. Md. Nasir Khan
7. M.K. Abash Khan
8. Mohd. Ariyash Shah
9. Sarabuddin Shah
10. Md. Musfasha Ahmed
11. Md. Ibocha
12. Md. Nawaz Sharif
13. Mohd. Nawaz Khan
14. Md. Jaram
15. Dawad Khan

**32/6 KIYAM LEITANPOK**
1. Muhammad Khan
2. Khursidalam
3. Kh. Raja
4. Abdus Salam
5. Nawaj Khan
6. Islamuddin
7. Tomba
8. Rahaman
9. Kh. Ibrahim
10. Nizamuddin
11. Noor khan

**32/36 SHANGOMSHANG**
1. Abothem @ Md. Ahamed Ali
2. Md. Sahidur
3. Md. Nasir Khan
4. Md. Ramijuddin
5. Md. Amir Alam
6. Md. Siraj Khan
7. Md. Yunus Khan
8. Md. Mujibur
9. Md. Amir Hussain
10. Md. Ali Hussain
11. Md. Abdul Qadir
12. Md. Abdus Salam
13. Md. Sakeel Ahamed
14. Md. Sajeed Ahamed
15. Md. Sameer Ahamed
16. Md. Azij Khan
17. Md. Anwar Ali
18. Md. Ayub Khan
19. P. Azad Khan
20. Md. Abdul Kalam

**32/29 BAMOL LEIKAI**
1. Md. Jaman Khan
2. Md. Wahidur Khan
3. Md. Ajijur Rahaman
4. Md. Salamat
5. Md. Sahidur
6. Md. Riyajuddin
7. Mk. Ahamad
8. Md. Nawaz Sharif
9. Md. Ibocha
10. Mohamed Nawaz Khan

**32/18 WANGKHEM MUSLIM**
1. Mohd. Ujeruddin
2. Hellan
3. Md. Azad Khan
4. Md. Sharif
5. Md. Nawas Khan
6. Md. Riyajudin
7. Md. Sher Khan
8. Md. Najib Ali
9. Amjad Sheikh
10. Ishem
11. Md. Abdul Matalip
12. Md. Mohamad Khan

**32/13 PHOUDEM MANING LEIKAI**
1. Md. Abdul Baric Shah
2. Singamayum Rahish Shah
3. Md. Abdul Satar
4. Md. Riyajuddin
5. Md. Abdulnoor
6. Md. Mustakim
7. Md. Iboyai
8. Md. Jahe Hussain
9. MS. Izaj Ahamad
10. MS. Iyeshaque

**32/19 WANGKHEM MUSLIM**
1. Md. Yusuf Ali
2. Md. Altab
3. Md. Rahaman
4. Md. Kamaruddin
5. Md. Najurddin
6. Md. Akbar Majid
7. Md. Najib Ali

**32/12 PHOUDEN MAMANG LEIKAI**
1. Singamayum Salman Khan
2. Md. Najeruddin
3. Ajad Khan
4. Md. Amir Khan
5. Singamayum Abdul Aziz
6. Md. Nasimuddin
7. Md. Abdul Jalin
8. Sm. Sahidur Rahaman

(32/35 KEKRU MEITEI PANGAL, continued)
9. Anamuddin
10. Singamayum Tarique Aziz
11. Md. Parvez Alam
12. md. Alamgiri
13. Md. Khan
14. Md. Ashif Khan
15. Md. Amjad Khan
16. Md. Nishan
17. Md. Riyaj Shah
18. Md. Azis Khan
19. Md. Aslam Khan
20. Md. Arif Khan
21. Antim
22. Md. Saziz Khan
23. Md. Nasimuddin

**32/13 PHOUDEN MANING LEIKAI**
1. Md. Abtabuddin
2. Washim Azad
3. Singamayum Antim
4. Md. Najibullah
5. Amu Shah
6. Md. Khursid
7. Md. Iliyash
8. Md. Shahir
9. Md. Sikandar
10. Md. Shamu
11. Md. Hasan Ali
12. Md. Mujibur
13. Md. Zakir Hussain
14. Md. Abdul Kalam
15. Haji Mahamuddin
16. Basir Ahmad
17. Md. Abdul Salam

**32/11 HAYELLABUK**
1. Md. Sahidur Raha
2. Basir Ahamad
3. Nagir Ahamad
4. Ramijuddin
5. Mamurasid
6. Abdurahaman
7. Md. Riyajuddin
8. Md. Suleiman
9. Md. Kaman
10. K. Yasir Arif
11. Md. Anjobali
12. Abdul Kalam
13. Najeruddin
14. Arish Khan
15. Zakir Khan
16. Md. Shamshir Ali
17. Abocha

**32/33 HEITROIPOKPI**
1. Sn. Hasim
2. Md. Nashir
3. Ibocha
4. Md. Najibali
5. Md. Junush
6. Ph. Samir Khan
7. Ibungomacha
8. Sanayai
9. Ayajuddin
10. Md. Helan
11. Sahid
12. Md. Rahaman
13. Mv. Jiyauddin
14. Md. Sabir Khan
15. Sm. Wakim
16. Riyamudin
17. Janab Ali

**32/15,16 SHINGA MATHAK MAKHA**
1. Md. Najimuddin
2. Md. Ayub Ali
3. Md. Majahar Ali
4. Md. Nahatomba
5. Md. Mushin Khan
6. Singamayum Rafi
7. Ijajul Haque Singamayum
8. Md. Nurkaman Shaha
9. Md. Amir Hussain
10. Md. Akbar
11. Md. Shayeed
12. Md. Imran Khan
13. Md. Saddan Hussain
14. Sm. Majid Sheikh
15. Md. Jiyaul Haque
16. Md. Abdul Satar
17. Md. Najir Ahmed
18. Md. Helal Shah
19. Md. Abudl Satar
20. Md. Najimuddin
21. Md. Firoj Khan
22. Mohamad Sakil Ahamad
23. Mohamad Ajmir Khan
24. Md. Talish Khan
25. Sm. Md. Burhan Khan
26. Md. Sarif Khan

Sd/- **Md. Abdul Kalam**
President
Wangkhem Kendra Meitei Pangal
Minority Development Committee

HL-P/1435/17